ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, দিসেম্বর ৩১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৭৪শুবা মশীং

# ম্যুটেন্ট কোরোনাভাইরস

## ইন্দিয়াদা থেংনরবনিনা ষ্টেটসিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌসি

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই ৭ হেন্না শাথিবা ম্যুটেন্ট কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। বেঙ্গলুরুদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ ন্যুরো সাইন্সেস (নিমহান্স) হোস্পিটালদা সেম্পল ৩, হায়দরবাদতা লৈবা সেল্লুলর এন্দ মোলিক্যুলর বাইওলোজি (সী সী এম বি)দা সেম্পল ২, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি) পুনেদা সেম্পল ১ অমসুং চেন্নাইগী কিং ইনষ্টিট্যুট ওফ প্রিভেন্টিভ এন্দ রিছার্স সেন্টরদা সেম্পল ১ পুন্না সেম্পল ৭ টেষ্ট তৌবদা হেন্না লৌনগনবা ম্যুটেন্ট কোরোনভাইরস ষ্ট্রেন পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগা লাকমিন্নবা, শোক্ন-শম্নরুবা ইমুং-মনুংশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিং খঙদোক্নবগীদমক কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক হৌখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা চেকশিন্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা ফীভম অদু লাক্লে। সেন্টরনা ষ্টেটশিংদসু সর্ভিলেন্সকী থবক কনখৎননবা পাউতাক পীখ্রে। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না হৌখিবা নবেম্বর ২৫দগী দিসেম্বর ২৩ ফাওবদা য়ু কেদগী লাকখিবা এয়র পেসেঞ্জর ৩৩,০০০ ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা এয়রপোর্টশিংদা থুংখ্রে। মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই ১১৪দি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবসু থেংনখ্রে হায়না ফোংদোকখ্রে। য়ু কেদা অহানবা ওইনা থেংনখিবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অসি হৌজিক্তি দেনমার্ক, নেদরলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, ইটালি, স্বিদেন, ফ্রান্স, স্পেন, স্বিটজরলেন্দ, জর্মনি, কনাদা, জপান, লেবানন অমসুং সিঙ্গাপোরদসু থেংনখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীং অসি ক্রোর ১ হেনখ্রবনি। লৈখিদবা মশীংনা লাখ ১.৪৮ হেনখ্রবনি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা হেন্না শাথিবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন থেংনখিবা অসিনা লৈবাক অসিদা হেন্না খুদোংথিবা নংহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈরি। য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই খূদিংমক্কী মরী-মখোং মপুং ফানা থিদোকপসু ঙমদ্রি। লৈবাক অসিদা কেস ৭ থেংনখ্রবনিনা ম্যুটেন্ট কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন অসি মণিপুরদসু য়ৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ষ্টেট অসিদা য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মহাক্কী ইমুং-মনুংসু টেষ্ট তৌথোক্লবা সেম্পল লৌখ্রে। লোয়ননা মীওই অদু ম্যুটেন্ট কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন পোজিটিভ ওইব্রা হায়বা খঙদোক্ননবগীদমক মহাক্কী সেম্পল নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি) পুনেদা থাদুনা টেষ্ট তৌগদৌরি। কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অসি হেন্না লৌনগনবা ওইবনা লাইচৎ অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অসিনা ষ্টেট অসিদসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহন্নিংই। কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অসি লমদম অসিদা থেংনদ্রি হায়না তরাই তরাইনা লৈথোকপা তৌহন্নিংদে। মতাং মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবা অমদি চেকশিনহৌদবা মীকুপতা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী ষ্ট্রেন অসি লমদম অসিদা য়ৌশিল্লক্তুনা হেন্না খুদোংথিবা ফীভম অমা ওইহল্লক্তুনা লৈখিদবগী মশীং হেনগৎহল্লকপসু য়াই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) "কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?" মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - "নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।"

৩) "লুপথখ্রবা হিনাউ" হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) "সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী' হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) "চায়নরোল" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২, ৪)
***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪,৫)***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮গী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ ৮গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জন্যুৱারী ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮গী পাউখুম

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্নবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্নবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?
***:- অইবনা এলাংবম দীনমনি, 'মণিপুরী অমদি মণিপুরী : ৱাখল মতেক মতেক' হায়বা লাইরিক্তুদা য়াওবা 'পুন্সি অমদি সাহিত্যদা ফাগিগী মফম' হায়বা ৱারেংদুদগীনি।***

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
***:-'নেতাজী সুভাস চন্দ্র বোস' হায়না বি এস রাজকুমারনা হন্দোকপনি। ওটোবাইওগ্রাফিনি।***

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?
***:- 'মণিপুর ইতিহাস' নি। কুমজা ১৮৯০দা ফোঙবনি।***

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো? ***:- ''লৈকোলনুংদা'' অমদি ''লৈনুংশি'' কুমজা ১৯৪৬তা পুথোকই। অইবনা রাজকুমার শীতলজিৎনি।***

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেন্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?
***:- 'নোংথাঙ লৈমগা হারাবগা পাউশানবা' হায়বা শৈরেংদগীনি।***

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১২
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলাগী মনুংদা তত্তনা থোক্লিবা ৱাথোক অমদি অশোয়বা কয়া অসিদি হৌজিক্কীদি খঙজদ্রে, মতমদুগী ঐখোয়না কন্না চৎলিঙৈ মতমদদি য়াম্না তোইনা থোকখ্রবজাৎনি। অদুনা লীলা মফম-মফম খুদিংদা নোংমতা চিন থিদবা, ওইদবা ঙাঙদবা লৈতে হায়বমক হেক য়াই। লীলা মফমদা থেংনা থুংলুবদা মরম চাবা-চাদবা থোকঅ-থোকঅবা অমা হেক্তা ঙাইহাক্কী ওইনা হায়জিনবীনি। মমৈথংদদি, লীলা কৌরিবা কাঙবুশিংনা ফাওবা ঐখোয়না থেংনা থুংলুবদা ফাগি ওইনা হায়রকপা য়াওই, "গাড়ী বেরা তৌবদগী থেংই ওইরিনি" মদুদদি ঐখোয় ৱা লাউনা নোকমিন্নরে। অমুক্না মমিং মথাদি পঞ্জররোই, খরা লিরবা সেনিয়র আর্টিষ্টনি, ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমা মশা নাবদগী মপান্দা লায়েংবা চৎখিবা মতমনি, মতমদুগী ওইনা মতেং পাংহনবা ওইনা য়াওহনবনি। লীলাদি নোংমদা অহুমদগী তাদনা চৎলিবনি। নুমিৎতু য়াইরিপোক য়াম্বেম, ৱাংখৈ থম্বালখোং অমদি খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা শো অহুম লৈবনি। অহানবগী শোদু চৎনবা ঐখোয় লোইনা গাড়ী তোংখৎতুনা লৈরবসু সেনিয়র আর্টিষ্ট অদুদি লাক্ত্রে। ফনা কুইনা ঙাইরে। সিদি মতমসি য়ারক্ত্রে, কান্নররোই ময়ূমদা ওইনা চৎলসি হায়না ঐখোয় গাড়ীদু ময়ূম তান্না থৌরে। ময়ূমদসু ঙরাং লীলা চৎখিবদগী হল্লক্তে হায়রে, ঐ ইশামক্না লীলা চৎলুরগা য়াম্না থেংনা ময়ূমগী থোঙ্গালদা থনম্মীবনি, হয়েংদি খরা ঙনসিকো হায়রম্মীবনি, অদুগদি য়ূমদা চঙলক্তে হায়দুদা ঐ কোকচাউবী কাখ্রে। কমাই তৌনি তৌরিসিদি হায়না পাখৎনরে। লীলা হৌগদবা মতমদি য়ৌরবনি অদুবু আর্টিষ্ট অদুদি থিবা খঙদ্রে। মী অমনা, নোইনা থিরিবা মীদুদি য়ু য়োনফমদা ঙাওরগা তার লৈহৌবনি হায়রে। মফম অদু তান্না ঐখোয় চৎলে, অদুগা মাদি ফজনা ঙাওরগা মীগী ময়ূমদুদা শুপত্রেক-নাত্রেক তারগা লৈরম্মী। থেম্মগা পুনবা ফনা কন্না হোৎনরে, অদুদা মানা, 'ঐ চৎপা ঙম্মরোই, নোইনা তৌনীংবা তৌরো' হায়না খুম্মকই। ময়ামসু শাউনরে, ঐসু ফজনা শাউরে। নমদুনা মাবু পোরগা পুথোরল্লগা গাড়ী মনুংদা হাপচিল্লে। তৌবগীদি মা ঙরাংসু অদুগা ঙসিসু চাক চাদ্রিবনি। মশাদুসু য়ু ফজনা ঙাওরে। নমদনা লীলা মফম য়ৌবদদি মীনা ফিঙৌ ফৌগুম লৈরম্মে। অদুবু মাদি য়ু ঙাওদুনা লেপ্পা ফাওবা ৱানা লেপ্পী। ঐনা পোৎফমদগী মঙ্গে লৈরুরগা মোরোক্কা মেৎলগা থিৎলে অদুগা নমদনা পিথক্লে। মমিৎ মনাদি খরা শিংই। লেপ্তুমক লেপ্লো ঐখোয়না থোকপা শান্নরগে হায়দুনা লীলাদু ঐখোয়না নমদনা উচিন নাচিন্না শান্নরে। লীলা কৌরিবসু, য়েংলিবসু ইপেনদি পেন্নদ্রবনি। অদুবু ঐখোয় খরদি ফজনা নিংথিনা শান্নবনিনা অদুম ভাবোক কায়দনা য়েংবীখি। মসিনি শুমাং লীলাবু মীয়াম্না য়াবীরিবা, ঙাকপীরিবসি। মসিগীদমক ঐনা শিংবা ঙন্নরোইদবা লমন অমা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা লীলা য়েংবিরিবা পূম্নমকশিংগী মফমদা তোনশিঞ্জরবনি। মরক্তুদা ঐখোয়না মাগী মবুক থন্নবা নৎত্রবসু অফংবা মপং ওইবা করিনো খরা পীজনবা হোৎনৈ। দবলরুতি, চা, বোরানচিংবা, অতৈদি লীলা মফমদা কমদৌনা ফংগনি, অদুগীসু মথক্তা মতমদু শোয়নরবনিনা লীলা শোয়দনবা হোৎনবদা মাগী চাক লাংবা কৈসু ঙম্বা ওইখিদে। নুমিৎতুগী অরোইবা শো উৎপা অদুদদি মহাক য়ু ঙাওবদি হনখ্রে, অদুগা মহাক মখোঙ মহি ওইনা হামথরকপনি, ঙসাইগী মঙ্গে মহিদুননি। উচিন নাচিন্না লীলা লোইরগা ঐখোয় হল্লক্লে। মীৱা তারসু তানা কৈসু থোইদোকপা ফত্ত-নুংদদি থোকখিদ্রে, ৱানা নুমিৎতুগী প্রোগ্রামশিংদু পাঙথোকখ্রে। ওফিসতা চাক থোংবীরে, ঐদি য়ূমদা হল্লে। মাদি ওফিসতা তূমহৌবনি। অদুবু ময়াম্না হৌগৎত্রিঙৈদা চিঠি অমা ইরম্মী, "ঐ ঙসিদগী লীলা পোত্থাজরগে, ময়াম ৱারৌবীবা য়াদে" হায়বা অসিতং ইরগা থনম্মে অদুগা মাদি লৈরমদ্রে। লোন্না ময়ূমদা হনখ্রে। মদুগী পাউদু তারে, ঐ ময়ূমদা চৎলে, উনরে। ৱারী ফজনা শানরে। তোক্কে হায়রসু নুমিৎ নীনিদং মতম পীখো অদুগা তোকপীরো, ঙসিসু লীলা অহুম লৈরিবনি, হয়েংসু লৈরিবনি, মরকসিদা ঐখোয় মী অমা থিরগে নুমিৎ নীনিদদি য়াওবীরম্মু হায়না হায়বদা, মহাক শিখাং হেক খাংখৈ য়াখিদ্রে। ফরে য়াদ্রদি কমদৌনি হায়দুনা মহাক অদুম তোকহল্লে, খুদক্তা ঐগা থিএটর তৌমিন্নরকপা এলাংবম লৈকায়দগী ইমান্নবা ঘনশ্যাম ক্ষেত্রিদু হায়নরে, অদুগা মানা মতেং পাংদুনা লীলাদু নুমিৎ মরি/মঙানি শান্নখি। হৌজিক্তি ইমান্নবদুসু লৈখিদ্রে।

লীলা তৌবসি ফজনা ৱাবনি, মীৱাসু ফজনা তাবনি। ময়ামগী য়ানবা চৎপদা ওন্থোক্না শাথীবা কোক অমা শান্নদ্রবদি অমসু অমসু কায়দনবা লোয়নবা ঙম্বা নত্তে। লীলা পার্টি মনুংদসু ৱা অদুম থোকনৈ, অমনা অমা হায়গনি, অমনা মদু পাম্মোই, মদুগী ময়াম অদু তাশিন খোমজিন্দুনা য়ান-য়ানবা ৱাতাইশিন্নরগা লোয়নবা অমা চঙই। নৎত্রবদি লীলাসি তোয়না তোয়না কায়গল্লি। লীলা পার্টিনবু কায়রবদি মতম চঙনা অমদি শেল চঙনা পুথোক্লিবা লীলা অমগী মপুন্সি অদু নমদুনা তেলহল্লি, অদুগা য়েংবীগদৌরিবা মীশিংনসু থাজবা ৱাৎলি। অদুনা লীলা তৌবা হায়বসি অখাং কনবা অমদি ময়াম অসি তাশিন খোমজিনবা অমা য়াওদ্রবদি য়াদে। খুদোং থীবনা হেল্লি। আর্টিষ্টশিংসু নিংঙাই য়াম্না চাউই। শাথীরিবদি মশা মশা খঙদবা নাপল অমা মখোয় মখোয়দা য়াম্না কন্না লৈ। ঐ য়াওদ্রগা মোই লীলা তৌ ঙমপোত্তে হায়বা অমা। মসিগী নাপল অসিনা মরম ওইরগা ঙাইহাক লৈতনা পার্টিগী মনুংদা নুংঙাইতবা থোকহল্লি। লোয়ননা মহাক মশা অদুগী তাথরক্লিবা ময়েং অদুবুসু মখোয় মশানা খঙজদে। লীলা হায়বসিদি ফনা য়াম্না হৈরবসু মা মথন্তনা তৌবা য়াবা নত্তে। মসিদি অপূনবগী মশকনি। আর্টিষ্ট খুদিংমক থোং মান্নবা অমা মথৌ তাই। ঐ খক ফরগা হেক্তা য়ারনি হায়বা অদুদি প্রদক্সন অমদদি চৎনদে। মদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙমদে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৪৭

**উসম ধনঞ্জয়**

ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয়, ওজা অমদি গার্জিয়ান কয়াগী এসোসিএসনশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা মহৈ তম্বা হৌহন্নবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা অসি করিদগীনো হায়বা খন্নদনা ওল মণিপুর টিচরস এন্দ পেরেন্টস এসোসিএসন কৌবা লূপ অমনা হয়েং তাং ৬তা কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদগী লৌরকপা ৱারেপ্না অমুক ঈরাং মখা শাংথরক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৈবাক্কী ঈরাং কল্লিঙৈ চৈরক অসিদা মেত্রিক এগজামগী ফোর্ম ফিল-অপকী লাষ্ট দেট দিসেম্বর ২৩দা লেপশিল্লক্লিবা অসি লৈঙাক্না লৌতুনবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মরাল শীরক্লি।

**দিসেম্বর ০৫, ২০০৯ :** য়াইস্কুল এ সীগী মরক্কী মীখল অসিগী মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎতা মীওই অমত্তনা মীরেপ চে লৌথোকখিদ্রে। লোয়ননা এ সী অসিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৮গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ১ হায়পর সেন্সিটিভ ওই অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন ৮ সেন্সিটিভ ওই হায়না লাউথোকখ্রে।

মীখল থেংনগদৌরিবা মীওইশিং অদুগী সিম্বোল অমসুং সেরিএল নম্বরসু ঙসি আর ও ওইরিবী য়ুম্নাম রোবিতানা লাউথোকখ্রে। মীখল থেংনগদৌরিবা মীওইশিং অদুদি ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসকী ই সুরজ (খূবাক), জনতা দল (সেক্যুলর) গী সৌবাম রাজেন্দ্র কুমার (ফৌবোন পুবী নুপী), ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অরিবম জগদিশ শর্ম্মা (থুমোক) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ হঞ্জবম জয়দেব শর্ম্মা (মোমবতি) নি।

**দিসেম্বর ০৫, ২০০৯ :** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমনা এন্কুশ তৌবদা অতোপ্পা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙবু অমগী মী ৩ শিরে। অমরোমদা, শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট অনীদা লান্দাখ্রে।

কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমনা অতোপ্পা কুকিগী খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমগী মথক্তা এন্কুশ তৌবগী থৌদোক অদু থাসিগী ৩গী নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবদা নুংবা পুলিস ষ্টেসন্দগী খারোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা লেংলোঙ লমখায়দা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুনা পাউতিনলম এলিয়জ লাজামান (২৭) অপোকপা নেথাং নবিন খুন (চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট); আথং (২০) অপোকপা শৈমাং হৈজাং ভিলেজ চুড়াচান্দপুর অমসুং খুপমাং হাওকিপ এলিয়জ দোনি (২৪) অপোকপা খুপহাও দিংজাং মোনজোং ভিলেজ (অসাম) নি। মখোয় অহুম কে এন এফ এম সী (কুকি নেসনল ফ্রন্ট - মিলিটরি কাউন্সিল) গীনি হায়রি।

কে এন এফ (এম সী) গী মীওই ১২ রোম লেংলোঙ লমখায়দা লাকপদা মফম অদুদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা য়ু টি এল এ (য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল লিবরেসন আর্মি) কৌবা খূৎলায় পায়বা লূপ অমগী মীওইশিংনা এন্কুশ তৌবনি। থৌদোক অদুদা কে এন এফ (এম সী) গী কেদর খরসু অশোক অপন নংলম্বা য়াই হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা নুংবা পুলিসকী কাঙবু অমা ও সীনা লুচিংদুনা জীপসি অমগা জীপ অমগদা মফম অদুদা চঙশিনখি। লম্বীগী ফীভম য়াম্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা পুলিসকী জীপসি অদু তেকপদগী ইম্ফালদগী নৌনা গাড়ী কৌরগা থোক্লককখি অমসুং ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অশিবা হকচাংশিং পুরগা ইম্ফাল য়ৌরকখি হায়রি।

পুলিসকী টিম অদুনা ঙরাং লোংপী খুন য়ৌবদা অশিবা হকচাংশিং অদু লৌথোল্লগা কুদা হাপ্তুনা নাৎকী ফি কুপ্পগা থল্লমখি। মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা পুলিসতা, লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদু কে এন এফ (এম সী) নি। মখোয় ১২ রোম লেংলোং লমখায়দা লাকপদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা য়ু টি এল এনা এন্কুশ তৌশিনবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি। অশিবা হকচাং অহুম্মক ঙসি নুংথিল রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং-মনুংদা শীন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তাবদা মশক খঙদবা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোরিবোক্তা লৈবা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা লান্দারকপদগী অসাম রাইফলসনসু হন্দুনা মিনট কয়ামুক নোংমৈ কাপ্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী অশোক অপন য়াওদে। অদুবু মীচম অনীদি শোক্লম্বা য়াই হায়না হায়রি।

মরকসিদা, ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱর্কী পাউ অমনদি ঙরাংগী এটেক অদু পি এল এ (পিপলস লিবরেসন আর্মি) না চথখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসকী লিখুন পল্লদুনা ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱর্কনা হায়, থৌদোক অদুদা পি এল এগী কেদর অনী শিরম্বা য়াই। মীচম অনীসু অশোক অপন নংখি।

অতোপ্পা অমনা, জিরিবামদা লৈবা ৫শুবা অসাম রাইফলসনা আইন্না য়াদবা লালহৌলূপ পল্ফ (পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট) কী সর্জন্ট মেজরনি হায়বা অমা ফারগা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নরক্লে হায়রি। মমিংনা মুহম্মদ অব্দুল খালিক (৫০) অপোকপগী মীং মুহম্মদ জশারউদ্দিন কৌই। লিলোংদগীনি। অদুগা হৌজিক্লা কছার দিষ্ট্রিক্টকী উজান্তারাপুরদা লৈবনি হায়রি। মহাক ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা জিরিবামগী বাবুপড়াদগী ফারগা হৌখিবা অহিং পুং ১.৩০ রোম তাবদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা পোইন্ট ২২গী রিভোলভর অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২গা লোয়ননা শিন্নরকখিবনি হায়রি।

**দিসেম্বর ০৬, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ৪গী নুমিদাংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খোইরিবোক খুলদা নোংমৈ কাপ্নখিবা লৈতে, খুল অসিদা পোষ্ট হাংদুনা লৈবা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী ঈ কম্পনিনা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্তুনা মী অনী শোকহনখিবনি অমসুং খুল অসিদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোকহনখিবনি হায়না খুল অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোন্দা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা কসোম খুল্লেন সব দিভিজন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী চেয়রমেন জোজো রোবার্টসননা হায়খি, হৌখিবা তাং ৪গী নুমিদাং পুং ৬তগী মথং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ৪ অদুৱাই ফাওবা এ আরনা খোইরিবোক খুলদা মরম লৈতনা অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা খুনগী খুঞ্জা ২ শোকহনখি। প্রাইমারি স্কুল, কম্যুনিতি হোল, অঙ্গনৱাদি সেন্টর, ৱিভিং সেন্টর অমসুং য়ূম কয়াসু অতেক অকায় নংহনখি।

নুমিৎ অদুদা , আরদা এন্কুশ তৌরকপগী খুদম অমত্তা খুঞ্জাশিংনা ফংদে। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপ্নবনি হায়না ফোঙদোকখিবসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমনি। ●

# ৱানা-ৱানা লোইশিনখ্রে কুমজা ২০২০

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ৱারবসু ৱানা চৎখ্রগনি কুমজা ২০২০। হন্দক চহীসিদি অফবদি ইয়াও য়াওদ্রে হায়বা তারে। অৱা অনানা অয়াম্বা ওইনা থোকই, মরু ওইনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেম পূম্বগী ওইনা মীওই ৮২,৩৯৪,৭৯৪ লাইচৎ অসিনা নাহনখি অমদি মীওই ১,৭৯৮,০৯৭ হেনবা শিহনখি। ইরমদম কংলৈপাক্তসু মীওই ২৮,০৯৬ হেনবনা লাইচৎ অসিনা নাহনখি লোয়ননা মীওই ৩৫৩ হেনবনা লমখাংদা পুন্সি লোমহনখি। ঐহাক্না লৈজরিবা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদনা পূন্না মীওই ৭৯৫ নাহনখি অদুগা লৈখিদবগী মশীংনা শুপ্পনতগী মীওই ৭ খক্তনি। মালেমগী কোভিদ-১৯ লাইচৎনা নাহনবা অমদি শিহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্না নাখিবা অমদি শিখিবা লৈবাক অমনি টাইৱান। অদুম ওইনমক লমদম অসিগী মীওইশিং অসি য়াম্না মথৌ খঙনা হৌজিক হৌজিকসু মাস্ক উপ্তুনা চৎনরি, হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রেনচিংবা শীজিন্নরি। অদুগা অয়াম্বা পব্লিক অমদি প্রাইভেটকী ওইবা মফমশিংদা মাস্ক উপত্রবদি চঙবা য়াদে।

ঐহাক্না চয়োল অমদা মরি/মঙারক চৎতুনা শান্নরিবা জিম অসিদসু দিসেম্বর ১দগী হৌদুনা মাস্ক উপত্রবদি চঙহন্দে। শান্নরিঙৈ মতমদসু মাস্ক উপ্তুনা শান্নদবা য়াদে। করিগুম্বদা য়াম্না লূম্না কন্না শান্নবগী ঙাইহাক মাস্ক লৌথোক্তুনা নুংশা শ্বর হোনবদা কাউদুনা অমুক উপশিন্দবা থোক্লবদি জিম অসিদা লৈরিবা ত্রেনরশিং লাক্তুনা মাস্ক উপশিন্নবা খঙহল্লকই। অদুবু নম্ফুদা হায়বগী চৎনবী অদুমদি লৈতে। য়াম্না নিংথিনা হায়জৈ। মসিদা য়েৎনরুবা, খৎনরুবা কনা অমত্তা য়াওদে। অসিগুম্বা মখোয়গী য়াম্না নিংথিনা, ফজনা হায়রকপা অসিনা য়াম্না ইকায়বা পোকই, মাস্ক উপ্লদবা ঐখোয়না। অদুগা মখোয়না মাস্ক উপ্লু হায়রকই হায়বগী শাউনীংবসু পোক্তে মরমদি মাস্ক উপ্তবা ঐখোয়না লাল্লুবনা।

অদুবু ইরমদমগীদি লৈঙাক্লসু চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চত্তে অদুগা মীয়াম্নসু ইন্দুনা চত্তে। অনীমক চপ মান্নে। মসিগী মথক্তা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা পীগদবা পোৎলম কয়া অমসু মরাং কায়না পীবিদে অদুগা থম্বীদে, হোস্পিটাল কয়াদসু চুম্না পংলাউ লাউবগী ৱানি মীদিয়াদা। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা পীরিবা চৎন-কাঙলোন কয়া মীদিয়াদা সুম লাউথোকই অদুবু লৈঙাকসু চৎন-কাঙলোনশিং অসিবুদি ইন্দুনা চত্তে। মোইনদুম থুগাইরগা চৎলি। খুদম হায়ববু বাই ইলেক্সন তৌবদা করম্বা কেন্দিদেট অমদি মীওইশিংনা চৎন-কাঙলোন ইনখিবগে মতমদুদা। মসিননি পিকখ্রবা, মীওই লাখ ৩০ শুনা লৈতবা লমদম অসিদা মীওই লিশীং ২৮ হেন্না লাইচৎ অসিনা নারিবা অদুগা শিবসু ৩৬৩ হেনখ্রে।

লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিবা অসিদি লায়বু লায়রি। লুরিবদি ইরমদম কংলৈপাক অসিদা লো হায়বদুমা লৈরক্তবা অসিনি। মীদিয়াদদি মণিপুর লো এন্দ ওর্দরদা খ্বাইদগী ফবা ষ্টেট অমা ওইরে কায়না থেংনখি টাইমস ওফ ইন্দিয়া গ্রুপনা সর্ভে তৌবদা। অদুগা এৱার্দকসু পীখিবা থেংনৈ ঐখোয় লৈঙাকপশিংদা। অদুবু হংনীংলিবা ৱাহংদি, ইরমদম কংলৈপাকসিদা অচুম অরাল পুথোক্লবা লৈজরিবা ঐখোয় ইরমদমগী আইনগী ওইবা চৎন-কাঙলোনবু চলাইরিবা হায় কোর্ট অসিদা থাজবা ঙল্লিব্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। অদুগা হায় কোর্ট অসিবু চলাইরিবা লোয়র অমদি জজশিং অসিদা কনানা থাজবা ঙল্লিবগে হায়বা ৱাহংসি লাক্লি। মীচম মীয়ামদি লায়রদনা লৈঙাকপা মখোয় ফাওবা থাজবা ঙল্লল্লোই খল্লি মরমদি মখোয়না লৈঙাক হেক পায়বা তোকপদা লোয়রশিং অমদি জজশিং অসি লোইনা লৈঙাক পায়বা পার্টি অদুনা অমুক শীজিন্নখিগনি। মসি নৎত্রো হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা অসি। মদুগী ইচম চম্বা ময়াম্না খঙনরবা খুদম হায়ববু লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈরমদ্রে হায়না থাদোকখ্রিবা অসিনি। মদুগী মরালনা কনাদা তাইশিল্লিবা, মহাক্কী দ্রাইভরদা হা-হা, নোকপু নোক্লিংইদা। ময়াম অসি য়াম্না পংবগুম খল্লিব্রো হায় কোর্ট অমদি লৈঙাকপশিং অসিনা তৌরিসিবু।

কুমজা ২০২০ অসি হেক হৌরকপদগী ঐখোয়গী পুৱারী অমদি ইনাৎপুসু য়োন্থোকপীখ্রে হায়নরি ঐখোয়গী ওনরেবল সী এমনা। আ গুজরাটতা চৎতুনা ঐখোয়দি কৃষ্ণগী চাদা-নাউদানি হায়দুনা লাউথোক্লুরে। হৌজিক্না সংস্কৃট তম্বা হৌরনি হায়রিয়ে। ঐখোয়গী ইনাৎ, ইরোল চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী, মদুসু অৱাংবা থাক্তা লৈ হায়না খন্নরিবা কাঙলূপ অমগী লোল ওইরিবা সংস্কৃট চাওখৎনবা হোৎনরি। ইরমদমগী হায় কোর্টসু মণিপুর লৈঙাক্না লৈখ্রে অদুগা ঐখোয় ইরমদমগী হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকপশিংসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লোইনা লৈখ্রে। ঐখোয়গীনি হায়দুনা করি অমত্তসু হায়রুবা ঙমদে। সেন্টরনা হায়রকপা খুদিংমক ইন্দুনা চৎলি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী ওইজবা ইরোল, ইনাৎ, লাইনীং-লাইশোলদি মুৎখ্রগনি।

লোইশিল্লকপদা, নীংবা কায়রবসু কায়না, ৱারবসু ৱানা হিংখিসি কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী। অনৌবা য়েনিংথা লাকখিগনি খন্দুনা হোৎনখিসি খুন্নাই অসিবু কন্নবা। ঐখোয় মীয়াম অপংবা নত্তে হায়বদো খঙহনখিসি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংদা। য়াইফমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।